# পাটিয়ালাগী নেসনল কেম্পতা হৌজিকসু চাং নাইনা নোংমদা পুং তরেৎকী চাংদা অকনবা ট্রেনিং চথরি



সাইখোম মীরাবাই চনু
*(ৱেথ লিফটর)*

(ঙরাংগী মখা)

কোরিয়াগী, চাইনাগী, জ পানগী, ইন্দোনেসিয়াগী লিফটরশিং অসিসু চহী তরুক/তরেৎ তত্তনা কম্পিটিসন তৌনরক্লবনিনা হৌজিক্তী ঐখোয় মশেলসি ইখঙ খঙনরে। শান্নবা নৌরিঙৈ মতমদুদদি এক্সপরিয়েন্স ৱাৎলিবা ওইদুনা ইশাদা পাখৎপা, থুক্কৎপা খরা অদুম লৈখি। মদুনা মরম ওইরগা ঐহাক অফবা পর্ফোমেন্স পীবা ঙমদবা কয়াসু থোকখি। হৌজিক্তী অদুগুম্বশিংদু লোইনা মাঙখ্রে। কম্পিটিসনগী প্লেটফোর্ম হেক কাখৎপগা ঐ মায় পাক্তবা য়াদে, মসি ঐগীদি ইশাগী চপ-চাবা লানফম অমনি খল্লগা ফুল কোনফিদেন্স অমগা লোইননা শান্নবা ঙল্লে। মীওইবা ঐখোয়দি হোৎনবগী মখাসু য়াম্না পোল্লি। ঐগী ওজাশিং ঐবু ইখুৎ পায়দুনা তন্বীরকখিবা কোচশিংগী পাউতাকসু ঐদি য়াম্না লৌজে। অহল-লমন, সিনিয়রশিংনা তাকপীরকপা খুদিংমক, মতম চুপ্পা ঙাক্লা চৎনবসু হোৎনজে।

হৌজিক হৌজিমক্কী ওইনদি, এন আই এস পাটিয়ালাগী নেসনল কোচিং সেন্টর অসিদা ঐহাক বিজর সরগী মখাদা ট্রেনিং তৌজরি। পার্ফোমেন্সসু হান্নদগী খরা ইমপ্রুফ তৌবা ঙল্লে। লাষ্ট ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ঐনা থাঙ্গৎচখিবসি স্নেচতা ৮৮, অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা ১১৮নি। মসিদগী খরা হেনগৎনবসু কন্না হোৎনজরি। ঐগী টার্গেটসি ক্লিন এন্দ জর্কতা ১২০নি। স্নেচসিদসু ৯০ পীবা ঙম্নবা অকনবা ট্রেনিং তৌজরি।

মসি ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবদি নত্তে। অদুবু, হেক ঙম্নমখেদি হোৎনগে হায়না খল্লি। হৌজিক ঐগী ওইনা তৌরিবা ট্রেনিং সেদ্যুলসি নিংথৌকাবা, য়ুমশকৈশা, ইরাই নুমিৎ হুম্নি অসিদি নোংমদা অহুম্লক শান্নে। অয়ুক পুং তরেৎতগী নিপান ফাওবা অমা অদু লোইরগা মরক্তা ব্রেকফষ্ট চারগা ঙাইহাক রেস লৌরগা পুং ১০দগী ১২ ফাওবা অমা শান্নে। অদুদগী লঞ্চ লৌরগা পুং খরা গেপ থম্লগা পুং ৪দগী ৭.৩০ ফাওবা অমুক ট্রেনিং তৌই। হাপ্তা অমগী মনুংসিদা লৈবাকপোকপা, শগোলশেন, থাংজসিদনা মোর্নিংগা ইভনিংগা অনীরক শান্নে। মরক্তুদা কন্দিশন্নিংগী, এক্সরসাইজগী, বোদি ফিটনেসকী, মেদিটেসনগী ট্রেনিং কয়াসু তৌই। শান্নবদু মপুং ফানা নুংঙাইনা পর্ফোমেন্স পীবা ঙম্নবা ক্লাসশিং মরক মরক্তা চথে। হৌজিক্তী ৱেথ ট্রেনিং খক্তনসু য়াদ্রে।

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**ৱেথ লিফটিংদা মীৎয়েং অমা**

মীয়াম্না থাজবা থম্বিরিবা লৈবাকসিগী ৱেথ লিফটর অমনি খঞ্জরগা হৌজিক্তী ইশাসু য়াম্না চেকশিন্না শান্ননবা মতম চুপ্পদা হোৎনরে। কম্পিটিসনদা মায়থীরগা হল্লকপা, মেদল য়াওদনা হল্লকপগী থৌওংসি অমুক হন্না থোকহনবসু পামদে।





টোকিও ওলিম্পিক ২০২০গী ক্বালিফাইদ তৌবগী মওংসিসু ৱেথ লিফটিংগী ওইনদি অচৌবা কম্পিটিসন তরুত্তা শরুক য়াখিবদুগী রিজল্টতুদা য়েঙলগা মদুদগী অফবশিংদু খল্লগা শরুক য়াহনগদৌরিবনি। ঐখোয়গীদি ইশা ইশানা পীখিবা পর্ফোমেন্স থমখিবা রেকোর্দশিং অদুনা লেপকনি। অদুনা লাষ্ট মিনট ফাওবদি হোৎনবা লেপ্পা শুকয়া য়াদে। ট্রেনিংসিসু মতম শাংনা চাং নাইনা লেপ্তুনা তৌজরকপদগী ইশাসি হৌজিক্তী য়াম্না হেন্না নুংঙাইনা শান্নবসু ঙল্লে।

অদুগা, ঐগী থবক ইনখাংগী মতাংসিদি ঐহাক কুমজা ২০১৬কী সেপ্টেম্বর থাদা গুৱাহাতি রেলৱেজগী এন এফ আরদা জে ইন্ট তৌজরকখিবনি। হৌজিক্তী ওফিসার স্পেসল দ্যুতি (ও এস দি) হায়রগা লৈজরি। থাগী ওইনা লুপা ৬৫,০০০ মুক লাকপনিনা মসিনা ইশাগী দাইত চাবদদি থোইদোক্লা অৱাবদি ওইদ্রে। মালেমগী মমিং লৈরবা লৈবাক কয়াগা লম্বা তৌনগদৌরিবসিনা ইশাগী ওইনা অহেনবা দাইত খরদি চাদবা য়াদে। শান্নবা হৌরকপা মতম অদুৱাইদদি অৱাবা কয়া অমা মায়োক্লরকখি। অদুবু ঙসিদি হনবা নাইদনা হোৎনজরকপা, মীয়াম্নসু সপোর্ট ফজনা তৌবিরকপনা, ঐহাক নুংঙাইনা শান্নবা ঙমজরি।

অমরোমদা, থবক ইনখাংগী ৱাফমসি ঐদি মণিপুরদা ওইনা তৌজনিংই। মতম খরসু ঙাইজরম্মী। হৌজিকসু ঐদি মণিপুরদা ওইনা লৈজগে খঞ্জে। টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০গী মতুংদা ওইনা ঐগী অপাম্বা পুম্নমকসি ফোঙদোক্কে নিংলি। ... মথং মথং ...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৭

১) হিটলরনা জর্মনিগী লৈঙাকপা ওইরিঙৈদা জিয়ুশিংবু ওৎ নৈখিবদা নত্তনা মখোয় কয়ামুকসু হাৎখি। মরম অদুনা জিয়ু শান্নরোয় অমদি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেনখি। কুমজা ১৯৩৬তা বার্লিন্দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা জর্মনিনা লৈবাক অদুদগী চেনখিবা জিয়ু শান্নরোয় অদু অমুক হন্না কৌদুনা (মহাক হল্লক্তুনা) ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং করিনো?

২) ওলিম্পিক গেমসকী টিমগী থৌরম অমদা লৈবাক অমনা কুমজা ১৯২০দগী কুমজা ১৯৫২ ফাওবগী মনুংদা মেচ ৩৭ লক মায় পাকখি, ৩ লক পোখি। লৈবাক অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) অহানবা পান অমেরিকান (Pan American) গেমসতা মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী চহী ৩৮৮গী মমাংদা ওলিম্পিয়া (OLYMPIA)দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অমদা তিল্লিবা গ্রিস মীয়াম অদুদা ৱা ঙাঙদুনা তাহনখিবা গ্রিসকী ৱাঙাংলোয় অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# টাটা ষ্টিল চেছকী টাইটল কার্লসনননা লৌখ্রে, ইন্দিয়াগী অনন্দ ৭শুবা তাদুনা গ্রান্দ চেছ টুর ক্বালিফাই ওইখিদ্রে





কোলকত্তা, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী সিটি কোলকত্তাদা ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা টাটা ষ্টিল রেপিদ এন্দ ব্লিটজ চেছ টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা নোর্ৱেগী গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কার্লসনননা ফংখ্রে। ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন অনন্দ ৭শুবা পোজিসন তাখিবদগী লন্দনদা পাঙথোক্কদবা গ্রান্দ চেছ টুর ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রে।

ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা ২৭ শুবা রাউন্দ অদুদা নোর্ৱেগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কার্লসনননা য়ু এস এগী ৱেসলি সোগা দ্রো চৎখি। ইন্দিয়াগী বিস্বানাথ অনন্দসু অরোইবা রাউন্দ অদুদা চাইনাগী শান্নরোয় দিং লিরেনগা দ্রো চৎখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন অনন্দনা ৬শুবা পোজিসন নত্রগা মদুদগী হেনগৎপা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লম্লবদি চহীসিগী লোইশিল্লকপদা লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রান্দ চেছ টুর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইরমগদবনি। অদুবু কোলকত্তাগী টাটা ষ্টিল চেছ রেপিদ এন্দ ব্লিটজ চেছ টুর্নামেন্ট অদুদা বিস্বানাথন অনন্দ ৭ শুবা পোজিসন তাখিবদগী লন্দগী গ্রান্দ চেছ টুর ফাইনেলসকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি।

রেপিদ অমসুং ব্লিটজ মশান্নগী ওইনা পাঙথোকখিবা কোলকত্তাগী টাটা ষ্টিল চেছ চেম্পিয়নশিপ অদুগী রাউন্দ ২৭ লোইশিল্লকখিবদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইবতা নত্তনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসু ওইরিবা নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসনননা পুন্না পোইন্ট ২৭ ফংবা ঙমখি।

অনীশুবা পোজিসনদা য়ু এস এগী হিকারু নকামুরনা পোইন্ট ২৩ ফংলগা লৈখি। ৩শুবদা নেদর্লেন্দসকী অনিস গিরি অমদি য়ু এস এগী ৱেসলি সোনা ৪শুবা তাখি।

# নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সি পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা পোইন্ট অমমম য়েন্নখ্রে

INDIAN SUPER LEAGUE
IMG RELIANCE STAR

Match on 28 Nov. (Thursday)
CHENNAIYIN F.C. Vs ODISHA
CHENNAIYIN ODISHA




গুৱাহাটি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ৬শুবা এদিসনগী ঙসি অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ুম্ফু ক্লব ওইখিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সি পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখিদুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি মেচ ৪ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৮ ফংদুনা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা মুম্বাই সিটি এফ সি মেচ ৪ শান্নবদা মেচ ১ মায় পাক্লগা অনী মায়থীখিবগা লোয়ননা মেচ ১ দ্রো চৎলগা পোইন্ট ৪ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা অঙনবা এটেক অমদা টিম অদুগী পি ত্রিয়াদিসনা পাঞ্জল চন্দুনা মুম্বাই সিটি এফ সিবু ঙন্না মাংজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল শোথখিবা মুম্বাই সিটি এফ সিগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা পাঞ্জল হন্দোক্লবগী লালোংশিং থিন্থদনা ফঙবা ঙমখি।

২৩শুবা মিনটতা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা সেনেগাল মচা সৌগৌনা পীরকপা পাস অমদা টুনিসিয়া মচা এ সর্মিতিনা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা ইক্কেলাইজর অদু ফঙখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং মুম্বাই সিটি এফ সিগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী অহেনবা থৌনা লাক্তুনা মখা তানা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিদা এটেক চথুরকপগী চাং হেনগৎলকখি। ৩২শুবা মিনটতা মখোয়না ফংখিবা ফ্রি কিক অমদা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবা টিম অদুগী সর্মিতিনা পাঞ্চল চন্দুনা ২-১দা লৈখি। হাফ লোইগদবা মিনট য়ামদ্রবদা নোর্থ ইষ্টকী এ গ্যাননা ইক্কেলাইজর চনখি। অনীশুবা হাফতা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK | 5 | 3 | 1 | 1 | 10 | 3 | +7 | 10 |
| 2 | Jamshedpur | 5 | 3 | 1 | 1 | 7 | 5 | +2 | 10 |
| 3 | Bengaluru | 5 | 2 | 3 | 0 | 5 | 1 | +4 | 9 |
| 4 | NorthEast United | 5 | 2 | 3 | 0 | 7 | 5 | +2 | 9 |
| 5 | Goa | 5 | 2 | 2 | 1 | 10 | 6 | +4 | 8 |
| 6 | Odisha | 5 | 1 | 2 | 2 | 6 | 6 | 0 | 5 |
| 7 | Mumbai City | 5 | 1 | 2 | 2 | 7 | 10 | -3 | 5 |
| 8 | Kerala Blasters | 5 | 1 | 1 | 3 | 3 | 5 | -2 | 4 |
| 9 | Chennaiyin | 5 | 1 | 1 | 3 | 2 | 8 | -6 | 4 |
| 10 | Hyderabad | 5 | 1 | 0 | 4 | 4 | 12 | -8 | 3 |

# সায়দ মোদি ইন্টর্নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী ৮ অমসুং নুপীগী ৪ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

SYED MODI
INTERNATIONAL BADMINTON CHAMPIONSHIP






লখনৌ, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী উত্তর প্রদেশকী সিটি লখনৌদা ঙরাংদগী হৌখিবা সায়দ মোদি ইন্টর্নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় ৮ অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় ৪ অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কে প্রনোয়না চাইনাগী লি এস এফপু ১৮-২১, ২২-২০, ২১-১৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা সিদেদ চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং তি দল্লীয়ুগা থেংনরগনি।

৩শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্তনা রসিয়াগী ভি মালকোবপু ২১-১২, ২১-১১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৱার্ক ওভর ফংলকখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পরুপলি কস্যপকা থেংনরগনি।

জুনিয়র থাক্তগী সিনিয়রদা শরুক য়ারকপা চহী ফারক্লবা লক্ষ্য সেননা অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱৈ হিগা লম্বা তৌনরগনি।

সৌরব বর্ম্মনা অহানবা রাউন্দদা কানাদাগী এক্স দি সেংবু ২১-১১, ২১-১৬দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা মোরিসিয়সকী জি জে পোলবু ২১-১৬, ২১-১৬তা থোইরম্বা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় এ মিস্রাগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিতনা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী আই জি জ ইনোদিনবু ২১-১৬, ২২-২০দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী চিতা বোইনাওবু মায়থীবা পীরম্বা থাইলেন্দগী কে ভিটিদসার্নগা লম্বা তৌনরগনি।

অজয় জয়ারামনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ সমির বর্ম্মবু ১৫-২১, ২১-১৮, ২১-১৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী ঝাও জেপিগা শান্নরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী এ চাহিলানা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী কিম ঐচ এমগা লম্বা তৌনগনি। লৈবাক অসিমক্কী রিতু প্রনদাসনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় টানবি লরগা লম্বা তৌনরগনি। এস মুন্দাসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

# ইন্দিয়াগী অভিসেক বর্ম্ম অমসুং জ্বোতি সুরেখানা এসিয়ন আর্চরি শুটিং চেম্পিয়নশিপ্তা কম্পাউন্দ মিক্সকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে





বেঙ্কোক, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

থাইলেন্দগী সিটি বেঙ্কোক্তা চথুরিবা ২১ শুবা এসিয়ন আর্চরি চেম্পিয়নশিপকী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী অভিসেক বর্ম্ম অমসুং জ্বোতি সুরেখা ভেনামনা কম্পাউন্দ মিক্স ইভেন্টকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।


অভিসেক বর্ম্ম অমসুং জ্বোতি সুরেখাগী গোল্ড মেদল অদু থারগা ইন্দিয়ানা এসিয়ন আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অদুদা পুন্না মেদল ৭ লৌবা ঙমখি। বর্ম্ম অমসুং জ্বোতিগী পেয়র অদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবা কম্পাউন্দ মিক্স পেয়র ইভেন্ট অদুগী ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র য়ি স্বান চেন অমদি সৈ লু চেনবু পোইন্ট ১৫৮-১৫১দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। ঙসি গোল্ড মেদল ফংখিবা অদু থারগা চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়ানা অতোপ্পা সিলভর মেদল অনী অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৪ য়াওনা পুন্না মেদল ৭ ফংখিবনি।

ঙসি অঙনবদা পাঙথোকখিবা কম্পাউন্দ টিমগী গোল্ড মেদলগী লম্বাদা ইন্দিয়াগী আর্চর অভিসেক বর্ম্মনা রাজৎ চৌহান অমসুং মোহন বর্দ্ধাজনা ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী জেওন য়াং, য়োংহি সোই অমসুং উন ক্যু সোইগী টিমগা লম্বা তৌনবদা শুপ্নগী পোইন্ট অমখক খেৎনরগা ২৩২-২৩৩দা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

নুপীগী কম্পাউন্দ টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী জ্বোতি, মুস্কান কিরর অমদি প্রিয়া গুজরনা মমাঙগী চহীদা মখোয়না ফংখিবা গোল্ড মেদল অদু দিফেন তৌনবা হোৎনবদা সাউথ কোরিয়া টিমগী মখুৎতা পোইন্ট ২১৫-২৩১দা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি। ইন্দিয়াগী আর্চরশিং অসি ৱর্ল্ড আর্চরি এসোসিএসনননা ইন্দিয়ন আর্চরি ফেদরেসনবু সস্পেন্দ তৌখিবদগী ন্যুত্রেল ওইবা ফিরালগী মখাদা শরুক য়ারকখিবনি।

# জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিক্না সর্ভিয়াগী রেদ ষ্টারবু পাঞ্জল ৬-০দা থোইখ্রে

UEFA
CHAMPIONS LEAGUE



বেলগ্রেদ, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী ফুটবোল ক্লবশিংনা শান্নবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ষ্টেজগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্না সর্ভিয়াগী ক্লব রেদ ষ্টার বেলগ্রেদপু পাঞ্জল ৬-০দা থোইখ্রে।

জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্তা শরুক য়ারিবা পোলেন্দ মচা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর ওইনা শান্নরকপদা ঙসিগী মেচ অদুদা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি।

য়ুরোপক লৈবাকশিংগী ফুটবোল ক্লব ৭৯না ক্বালিফাইয়িং শান্নরবা মতুং টিম ৩২ খনগৎতুনা গ্রুপ মেচতা টিম ৪/৪না শাবা পুল ৮ চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৭তগী হৌরগা মথং চহীগী মে ৩০ ফাওবা শান্নদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌনবা হোৎনগদৌরিবনি।

বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু লিওন গোরেস্কানা ১৪ শুবা মিনটতা চনখি। মদুগী মতুং রোবার্দ লিৱান্দাস্কিনা ৫৩, ৬০, ৬৪ অমসুং ৬৮ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৪ চনখ্রবা মতুং মেচকী অরোইবা মিনট ৮৯ চৎপদা টিম অদুমক্কী কোরেন্তিন টোলিসোনা টিম অদুগী ৬শুবা পাঞ্জল চনখি।

গ্রুপ 'এ'দা শান্নখিবা মেচ অমদা স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদ অমসু ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেন পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি। রিয়েল মাদ্রিদক্কী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর ফ্রান্স মচা করিম বেঞ্জিমানা পাঞ্জল অনীমক চনখি। অদুগা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগীনা মাপে অমদি সরাভিয়ানা চনখি।

গ্রুপ 'বি'গী অতোপ্পা মেচ অমদনা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরনা গ্রিসকী ক্লব উলিম্পিয়াকোসপু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখি। হোটস্পরগী হেরিকেননা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।